# নেসনল এন্টি টেররিজম দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):
আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্তর অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙরাং লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদা নেসনল এন্টি টেররিজম দেগা লোয়ননা এব্বেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লিলোং কম্পেনি ওপরেটিং বেজগা লোয়ননা শীন্দুনা লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদা পাঙথোকখিবা এব্বেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুগী পান্দমদি ভাইওলেন্স লৈতবা অমদি ঈং-তপ্পা পুরক্কবগী মেসেজ শন্দোক্লবনি। থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী মহৈরোয় ২০০ রোম অমদি ওজা কয়ানা শরুক য়াখি। লেকচর প্রোগ্রাম পাঙথোক্লবা তুং ইন্টরেক্টিভ সেসন অমসু পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্তর অসাম রাইফলসকী তুলিহল বট্টালিয়ননা ঙরাং লিননা চিকপা অঙাং অমা ট্রিটমেন্ট পীখ্রে। ইরোইশেম্বদগী অঙাং অমা মহু চেনবা লিননা চিকপদগী তুলিহলদা লৈবা য়ুনিট হেস্পিটালদা পুশিন্দুনা লায়কন্নখি হায়নসু মখা তারি।

মরক অসিদা, আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৮ সেক্তর অসাম রাইফলসকী ককচিং বট্টালিয়ননা শীন্দুনা এক্স সার্ভিসমেনশিংগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল চেক অপ অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা এক্স সার্ভিসমেনশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওই কয়া লায়েংখি হায়নসু আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ২১ শুবা পোজিসন তাখ্রবা লেনিননা আই এ এস ওইবা পাল্লি

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা চহীসিগী ঐচ এস এল সী এগজামদা ২১ শুবা পোজিসন তারকখিবা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় মোইরাংথেম লেনিন মৈতৈনা আই এ এস ওইবা পাল্লি।

মোইরাংথেম লেনিন ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লম্বোই খুন মখা লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম থোইবা মৈতৈ অমদি মোইরাংথেম ওংবী নোমিতাগী মচানুপানি। মোইরাংথেম লেনিনবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (পি দি সী সী) না শীন্দুনা য়ুম্নাম খুনৌদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পি দি সী সীগী চীফ এদভাইজর নোংথোম্বম রাজেন্দ্রো, পি দি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে জয় অমদি লৈকায়গী অহল ইবুঙো আই মনিনা মথংশিংনা দেজদা ফমদুনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লেনিনগী অপোকপা অমদি অপোকপীদসু লেংয়ান ফি খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নখি। থৌরম অদুদা পি দি সী সীগী চীফ এদভাইজর নোংথোম্বম রাজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, খুন্দ্রাকপমদা চাউখৎ খোঙথাং অমদি এদ্যুকেসন্দা খুৎ থেকপা য়াওরমদবা অদু হৌজিক্তি য়াওরে। ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী ফীভম ফৎতবদগী চাং নাইনা প্রাইভেট স্কুলগী ফি পীবা ঙমদবা কয়াসু মায়োক্লরিবনি। লৈঙাক্কী স্কুলদা নীংথিনা ট্রেন তৌরবা ওজা, মহৈরোয়শিং মশা-মউ ফনবা চানবা পীরবসু মহৈরোয় য়াম্না লৈত্রি। স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিসু লৈরমগনি। স্কুলগী অৱাৎ-অপাশিং নীংথিনা য়েংশিনবা তাই। কুম্মৈ-হরাওদা শেল অমদি মতম মাঙহনবা থাদোক্লসি। লেনিন ক্লাস সেবেনদগী ষ্টেন্দর্দ রোবার্টতা তম্লকখি। ক্লাস সেবেনদা রেঙ্ক ফোরদা লাক্লম্বা অদু কন্না হোৎনবদগী রেঙ্ক ৱানদা লাকখ্রে। মহাক্না লাইরিক তম্লিঙৈদা ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি হায়নসু মখা তারি।

# ইন্টরনেসনল বাইওদাইভর্সিটি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):
মালেমগী মফম অতৈদা পাঙথোক্লবগুম থৌবালদসু দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিস থৌবালনা ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিয়ু বি সী সী) মণিপুরগা পুন্না শীন্দুনা ইন্টরনেসনল দে ফোর বাইওদাইভর্সিটি ২০১৯ গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

চহী অসিগী ওইনা অৱার বাইওদাইভর্সিটি, অৱার ফুদ, অৱার হেল্ঠ হায়বা থীমদা দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিস থৌবালগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও দেবলা লাইফ্রাকপমনা অথোইবা মীথুং, ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রবি তখেল্লম্বমনা থৌরম মপু অমসুং ককচিং রেঞ্জগী রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর এন ইবোয়াইনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৯ দা ক্লাস ফাইবতগী ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবগী কাঙলুপ অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা দিভিজনগী থাক্তা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবগী মকোক মথং তারবশিংদসু মনা-মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

লাই য়েকপা চাংদম্নবা অদুদা ক্লাস ফাইবতগী আইট ফাওবগী ওইনা রুদা একাদেমী থৌবালগী লাইশ্রম শ্রিনিভাশ, স্বীতি ৱাহেংবম অমসুং ৱাইখোম অভিনাশনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। ক্লাস নাইনদগী টেন ফাওবগী ওইনা ইষ্টর্ন ষ্টার হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী থোকচোম উতম, মোইরাংথেম রঞ্জয় অমসুং রুদা একাদেমী থৌবালগী মাইমোম বঙ্কিমচন্দ্রনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। ক্লাস এলেবেনদগী ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবগী ওইনা অনন্দা পুর্না হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী থোকচোম বিরোন, রুদা একাদেমী থৌবালগী চীভা তখেল্লম্বম অমসুং ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সুরঞ্জয় চিরোমনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL
ORIENTAL COLLEGE, TAKYEL, IMPHAL
(An Autonomous Government College)

ADMISSION NOTICE

Dated, the 22nd May, 2019

**No. 1/Auto-Admn/2014-OC :** Notice is hereby given to all the intending candidates for admission to B.A. & B.Sc. 1st Semester for 2019-20 session that issue and submission of Admission Form will be opened from 22nd May to 17th June, 2019 in the college office during office hours obtainable at the rate of Rs. 250/- per Form and Prospectus. Details can be had from the college notice board.

Also form can also be downloaded from the college websites : www.orientalcollege.edu.in and submitted to the office after duly filled along with the prescribed fee.

Date of Entrance Test : 20th June, 2019 at 11 a.m. in the college premises.

HL-P/4294/23,25 *Sd/-* **Dr. S. Ranjit Singh,** Principal

ꯏꯁꯤꯡ ꯏꯊꯛꯄꯒꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

নাওরেমথোং খুমন্থেম লৈকাই, থোং ৱাংমা (Takyel Side) তা ঐগী মিংদা লৈবা ফুট ২৭ পাকপা (খা-ৱাং), ৪০ শাংবা ( নোংপোক- নোংচুপ), লৈরক্কা হেক তাইনবা, শরক্তগী য়ূম অনীখক খনবা, কনামত্তগা য়েৎনদবা, নোংপোক ওনবা ইঙ্খোল অমা অথুবা অচিনবা অমগীদমক য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি।

HL-P/4175/23 *Contact :* **7005451384**

**ANGELS' COACHING CENTRE** ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

**ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE : 2ND BATCH FOR 2019** (Time 4:30 to 7:30 pm )

**Class 3 to10 Starts on 22nd May, 19 ( 3 to 8 BOSEM & CBSE)**

TOPPERS of 2018




VAN AVAILABLE
1. THOUBAL, LILONG, CANCHIPUR
2. OINAM, NAMBOL, MALOM
3. MAYANG - IMPHAL, SAMUROU
4. SEKMAI, MANTRIPUKHRI
5. MOIDANGPOK, KHUMBONG & PATSOI
6. PHEIDINGA, LAMSANG, LANGOL
7. GREATER IMPHAL AREA

Contact -
7628946313
9402897710
8732022342

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
STUDENTS OF NIRMALABAS, LITTLE FLOWER, HERITAGE, ST. JOSEPH, TINY TOTS, CATHOLIC SCHOOL, REGULAR, LEE FAITH, CHRIST JYOTI & OTHERS.

LIMITED SEAT

Last Date of Form Submission 16th May.

HL-B/5356/26/4-24/6

**ADVANCED COACHING INSTITUTE, NAGAMAPAL**

REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE | 29TH MAY

OPEN ADMISSION
KWAKEITHEL BRANCH
THIYAM LEIKAI
(OPPOSITE TO PHOTON SCHOOL)




FOR QUARY 9862992105
advancedcoachinginstitute112@gmail.com

URGENT WANTED

| SL.NO. POST | EXPERIENCE | REMUNERATION |
|---|---|---|
| 1.PHYSICS LECTURER | MORE THAN 5 YR | 25 - 35 K |
| 2.WARDEN (B.Sc.) | (1M + 1F) | 9 – 15 K |
| 3. DRIVER | 2 | 7.5 - 15 K |
| 4. SECURITY | 2 | 5.5 - 10 K |
| 5. COOK 1F | | 7 - 12 K |
| 6. SWEEPER 1F | | NEGITIABLE |

TIMES SCHEDULES
04.40 – 7.30 A.M.
10.00 - 12.00 P.M.
12.00 - 3.00 P.M.
04.40 – 7.50 P.M.

SEPARATE CBSE, BOSEM & COHSEM
LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
AVAILABLE SEPARATE BOYS' & GIRLS' HOSTEL
NAVODAYA AND SAINIK STUDENTS'

FOUNDATION COURSE FOR 2019 SESSION
CLASS VI TO XII STARTS — 16TH & 22 ND MAY
VAN SERVICE BOTH IN MORNING & EVENING

SPECIAL VACCATION COURSE
COMMENCE OF CLASS VI TO XII FROM 6TH MAY '19
THERE WILL BE WEEKLY TEST ON EVERY SUNDAY

HL-B/5382/9/5-7/6

ꯁꯪꯒꯥꯏ ꯍꯥꯏꯌꯔ ꯁꯦꯀꯦꯟꯗꯔꯤ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ

**SANGAI HIGHER SECONDARY SCHOOL**

CHUMBREITHONG, MANTRIPUKHRI, IMPHAL

*(Education for a complete men.)*

**Our Outstanding Performers in the Higher Secondary Exam. and H.S.L.C. Exam. 2019**

XII Commerce | XII Science | XII Arts | Class X



G. Roberto Sharma
1st Position(COHSEM)
(Eng, Man, Bss & Acc)
Topper in Bussiness Studies

Y. Babina Chanu
3rd Position(COHSEM)
(Eng, Man, Bss )

S. Shantibala Devi
School Topper(Science)
(Eng, Man, Bio & HSc.)

R.K. Modhurajsana
School Topper (Arts)

M. Amrita
School Topper
(Man, Maths, CSc.)

W. Sadananda
BOSEM Topper in CSc.
100 out of 100.

**Admission Open for Class XI Sc. Arts & Commerce for the Academic Session 2019-20**

IMPORTANT DATES :
- Issue of Admission forms & Submission : 20/05/2019 to 31/05/2019
- Date of Counselling with Parents : 03/06/2019
- Declaration of result : 04/06/2019
- Date of Admission : 5th to 8th June2019
- Commencement of Session : 10/06/2019

OFFERS

| | |
|---|---|
| 1. Free Admission + Free Tuition Fee + Book Grant + Mothly Scholarship | Student securing 80% & above in HSLC Exam. BOSEM and 85% from other Board. |
| 2. . Free Admission + Free Tuition Fee | Student securing 70%(below) 80% in HSLC exam. BOSEM and 75% from other Board . |
| 3. Free Admission | Student securing 60% (below) 70% in HSLC exam.BOSEM and 65% from other Board. |

1. A co-educational English medium school.
2. Special Attention to Moral upliftment of students
3. Transport and Hostel facilities.
4. Compulsory participation of students in co-curricular activities such as sports, science projects etc.
5. Regular Free Medical check-up.

HL-P/4169/23

FOR DETAILS, PLIZ HAVE A VISIT TO THE SCHOOL DURING OFFICE HOURS.